## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা কিংস এলবেন পঞ্জাবপু দি এল মেথদতা রন ৮২ দা মায়থিবা পীখ্রে



বোল ৫০ দা সিক্স ৮ অমদি ফোর ১২ য়ৈদুনা রন ১১৩ লৌখিবা আর সি বি গী কেপ্টেন ভিরাট কোলি

বেঙ্গলোর, মে ১৮ ঃ

আই পি এল সিজন নাইনাগী ৫০শুবা মেটচতা ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা কিংস এলবেন পঞ্জাবপু দি এল মেথদতা রন ৮২ দা থোইদুনা লিগ অসিগী প্লে ওফকী তাঞ্জা অমা ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা অপুনবা ওভর ২০ শান্নগদবা অদু ৫ ককথরগা ১৫ / ১৫ শান্নখি। মেটচ অদুগী টোস কিংস এলবেন পঞ্জাবকী কেপ্তেন মুরালিনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

মদুগী পাউখুমদা আর সি বিগী ওপন্নর খৃস গেল অমসুং কেপ্তেন ভিরাট কোলিনা য়াম্না খোংজেল য়াঙবা মওংদা শান্নরক্তুনা অহানবা ওভর ১০দা রন ১৪০ লাম্থোক্তুনা য়াম্না য়াম্বা স্কোর অমা থম্বা হৌরকখি।

১১শুবা ওভর লোয়শিল্লকপদা বোল ৩২দা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৭৩ লৌরমখি। মতম অদুদা আর সি বিগী অপুনবা স্কোর অদু ১৪৭ লৈখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা এ বি দি ভিলিয়র্স রন অমত্তা লৌরমদনা আউত ওইখি।

অদুবু কেপ্তেন ভিরাট কোলিনা মখা তানা য়াম্না খোংজেল য়াঙবা রন লৌবগী শক্তি অদু অদুম্মক থমদুনা কিংস এলবেন পঞ্জাবকী বোল্লরশিং অদুবু মখুৎ মকোক্তা হাপ্পখি।

ইন্নিংস লোয়গদবা ওভর অমখক ৱাংলিঙৈদা বোল শুপ্পগী ৫০দা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরল্লগা ভিরাট কোলি রন ১১৩দা আউত ওইখি। টিম অদুনা লেমহৌবা বোল ৬তা মখাতানা রন ১৬ হাপচিন্দুনা মখোয়গী ইন্নিংস লোয়শিনখিবদা ৱিকেট ৩ তুরগা পুন্না রন ১১৩ লৌরমখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মায় পাক্লবা রন ২১২ ওভর ১৫ দা লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ১৪ শুজিল্লকপদা মখোয়গী স্কোর অদু ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১২০ লৈখি। লোয়ননা নোং মখা তানা অমুক তারকপদগী অরোইবা ওভর অদু লংবা য়াদবা মেটচ অদু রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা দি এল মেথদতা রন ৮২ দা থোইখিবনি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী মায়কৈদগী রিদিমান সাহনা রন ২৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। কেপ্টেন মুরালি বিজয়সু বোল ৮ দা রন ১৬ লৌবা ঙমখিবনি। গুরকিরাট সিংহনা রন ১৮ অমদি মোহিট শর্ম্মনা রন ১৪ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই। ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু মায়থিবা পীবদা নত্তনা নেট রন রেট ফজবনা প্লে ওফকী তাঞ্জা ফংখিবনি।

**Points Table**

| Team | M | W | L | Tied | N/R | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sunrisers Hyderabad | 12 | 8 | 4 | 0 | 0 | 16 |
| Royal Challengers Bangalore | 13 | 7 | 6 | 0 | 0 | 14 |
| Kolkata Knight Riders | 12 | 7 | 5 | 0 | 0 | 14 |
| Mumbai Indians | 13 | 7 | 6 | 0 | 0 | 14 |
| Gujarat Lions | 12 | 7 | 5 | 0 | 0 | 14 |
| Delhi Daredevils | 12 | 6 | 6 | 0 | 0 | 12 |
| Rising Pune Supergiants | 13 | 4 | 9 | 0 | 0 | 8 |
| Kings XI Punjab | 12 | 4 | 8 | 0 | 0 | 8 |

## থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬

# জপানগী মখুত্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম মায়থিখ্রবসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি



জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু স্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী নম্বর টু শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা সোট তৌখিবা

কুনসান, মে ১৮ ঃ

য়াম্না কন্না হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন টিম জপানগী মখুত্তা মেটচ ২–৩ দা মায়থিহৌরবসু চাইনাগী সহর কুনসানদা লৈবা স্পোর্টর সেন্টর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২০১৬ কী অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদি অদুম্মক য়ৌবা ঙম্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (দি) দা ইনিদয়া, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জর্মেনিনা পুন্না লম্বা তৌনখিবনি। ইনিদয়ানা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭ তা শান্নখিবা মেটচ অনীমক মায় পাকপা ঙম্লগা ঙসি অহুমশুবা মেটচ অদুদা জপানগী মখুত্তা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং মায়থিখি।

ঙরাং জর্মেনিবু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী টিম অসি অবর কপকী ক্বার্টর ফাইনেল অদুম্মক চঙলবনি। ঙসি জপানগা শান্নবা মেটচ অদু মায় পাক্লম্লবদি গ্রুপ অসিগী লিদর ওইরমগদবনি। অদুবু জপান্না থোইখিদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

থা অসিগী ১৬ তা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীরবা মতুং ঙরাং জর্মেনিবু অমুক হন্না ৫–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। ঙসি জপানগা শান্নবা গ্রুপ অদুগী অরোইবা লীগ মেটচ অদুগী অহানবা লম্বা অদু ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং জপানগী নোজোমি ওকোহরাগা লম্বা তৌরকপনি। মদুদা সাইনানা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–৬ তা থোইখি। অনীশুবা মেটচ অদুদনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা জপানগী অকানে য়ামাগুচিবুসু ষ্ট্রেট সেট্টা ২১–১১, ২১–১৮দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ানা জপানবু মেটচ ২–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

গ্রুপ অদুগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী দবলসকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী জ্বালা গুত্তা অমসুং সিকি রেদ্দি নিলকুথিনা জপানগী মিসাকি সাটসুমোটো অমসুং অয়াকা টকাহিসিগা লম্বা তৌনরকপদা জপানগী জুরা অদুনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১১, ২১–৮দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়না শোখরম্বা মেটচ অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

অহুমশুবা সিঙ্গলস মেটচতা ইনিদয়াগী রুটভিকা শিবানি গাদে অমসুং জপানগী সয়াকা সাটোগা লম্বা তৌনরকপদা জপানগী শান্নরোই অদুনা ইন্দিয়াগী গাদেবু ২১–৭, ২১–১৪দা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অনীনা মেটচ ২–২দা মান্নদুনা লৈখি।

টাই অদুগী খ্বায়দগী মরু ওইবা মেটচ ওইখিবা ডবলসকী অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পি ভি সিন্ধু অমসুং আশ্বিনি পোনাপানা শান্নরকখি। মদুদা জপানগী সিজুকা মাটসুও অমসুং মামি নাইটোগা অকনবা লম্বা তৌনরকপনি।

অহানবা গেম ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা ২১–১৫দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা গেম অদুনা জপানগী জুরা অদুনা য়াম্না নক্লবা স্কোরগা ২১–১৯দা মায়পাকখিবদগী অরোইবা মেটচ অদুনা লৈবাক অনীনা গেম ১–১দা মান্নদুনা লৈখি। টাই অদুগী অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা জপানগী জুরা অদুনা ইন্দিয়াগী জুরা অদুবু ২১–১৬তা মায়থিবা পীখিবদগী গ্রুপ 'দি'গী মকোক থোংবা টিম অদু ইন্দিয়াদগী জপান্না মুনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী মেটচ অমদা মলেসিয়ানা স্পেনবু মেটচ ৩–২দা মায়থিবা পীখি। টাই অদুগী অহানবা সিঙ্গলস মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিন্না মহাক্কী অহানবা মেটচ অদু মলেসিয়াগী গো জিন ৱৈবু ২১–১৮, ২০–২২, ২১–১৬তা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা মেটচতা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই বিত্রিস কোরালিজনা মলেসিয়াগী হো য়েন মৈবু ২১–১৩, ২১–৯দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ২–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। মখাতাবা মেটচ অহুম মলেসিয়ানা থোইদুনা স্পেন অবর কপ্পুগী লৈহৌবনি।

# সাউথ কোরিয়ানা মালেসিয়াবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

কোচি, মে ১৮ ঃ

ইন্দিয়াগী গোৱা সহরদা থা অসিগী ১৫ দগী হৌখিবা অহানবা এ আইএফ এফ য়ুঠ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গোৱাগী মারগাও সহরদা লৈবা তিলক মৈদান ষ্টেদিয়মদা সাউথ কোরিয়ানা মালেসিয়াবু হৌবদগী হৌনা খুদুম চনখি। শান্নবগী ২৪ শুবা মিনিটতা সাউথ কোরিয়গী কিম সে ৱুন্না অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা চনখিবদা ঙাইহিঁঙৈ মিনিট ১০ গী মনুংদা সাউথ কোরিয়াগী পার্ক জিওঙিন্না ৩৪ শুবা মিনিটতা মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা সাউথ কোরিয়াগী পাঞ্জল অনী অদু মালেসিয়ানা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফতা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎপা হৌরকখি। মখোয়না সাউথ কোরিয়ানা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়না পুশিনখিবা বোল অয়াম্বা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল লাইন য়ৌহন্দনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনিট ৯০ য়ৌশিল্লকখি। স্কোর বোর্দকী মশিং অহোংবা লৈখিদে। ইঞ্জুরি টাইমগী ৫ শুবা মিনিটতা সাউথ কোরিয়াগী জিওন ৱুরাম্না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা কোরিয়াগী পাঞ্জল অহুম শুখি। মায় পাকপা অসিনা সাউথ কোরিয়াগী অহানবা মেটচনি।

য়ুম্বু ইন্দিয়া থারগা পুন্না টিম ৫ না শরুক য়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা তানজানিয়ানা মেটচ অনীদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা টেবলগী লুচিংবা ওইরি।

ঙরাং অথেংবদা মায় পাকখিবা সাউথ কোরিয়না মেটচ অমদা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। মেটচ অমা শান্নবদা অমা দ্রো চৎখিবা য়ু এস এগী টিম অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা মেটচ ২ / ২ শান্নবদা অমা মায়থিরগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট অমমম ফংনরিবা য়ুম্বু ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়া মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

হয়েং শান্নগদবা মেটচ অনীদা ইনিদয়াগা য়ু এস এ গা থেংনগনি অদুগা সাউথ কোরিয়াগা তানজানিয়াগা থেংনরগনি।

# এঠলিট ৩১ রিও চৎপা ঙম্লোইদৌরি

লন্দন, মে ১৮ ঃ

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান–তোঙনবা লৈবাক ১২ দগী এঠলিট ৩১ না ২০০৮ গী বৈজিং ওলিম্পক গেমস শরুক য়াখিবদা লৌখিবা দ্রগ টেষ্ট তৌখিবদা থিংখিবা পোৎয়ান য়াওরম্বদগী ব্রাজিল য়ৌবা ঙম্লোইদৌরি।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা ঙরাং নৌনা হাংদোকখিবা দিসিপ্লিনরি কমিতিনা লৈবাক ১২ দগী মশান্না ৬ তা বৈজিং ওলিম্পিক্লতা শরুক য়াখিবা এঠলিট ৩১ গী সেম্পল হন্না টেষ্ট তৌবদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বা থেংনবনি হায়রি।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাকনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক–হৌজিক কমিতি অসিনা অনৌবা টেক্নিকা লোয়ননা শান্নরোই অমগী সেম্পল অমা চহী ১০ চপ্পা থমদুনা মখোয়না মমাঙদা শান্নবগী পার্ফোমেন্স অদু হেনগৎনবা দ্রগ শিজিন্নখিবা অদু নৌহৌননা টেষ্ট তৌবদা খঙবা ঙমগদৌরিবনি। ওলিম্পিক গেমস অদুদা মেডল ফংবা এঠলিটশিংগী মথক্তা 'ৱাইদর রিটেষ্টিং প্রোগ্রাম' চত্থগদৌরিবনি।

# পিএটি না গোল্ড লৌখ্রে

লন্দন, মে ১৮ ঃ

লন্দন এক্বাটিক সেন্টরদা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ান স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপতা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা অদাম পিএটিনা নুপাগী মিটর ১০০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌদুনা রিও ওলিম্পিক্লকী শেম শাবা হৌখ্রে।

# সরদার সিংহগী মহুত্তা পি আর শ্রিজেসনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরি



ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা শরুক য়ারুগদৌরিবা শান্নরোশিংনা শেম শাবা (ফাইল ফোটো)

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ ঃ

মথং থাগী ১০ দগী ১৭ ফাওবা লন্দন সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা সরদার সিংহ পোত্থাহল্লবা মতুং গোলকিপর পি আর শ্রিজেসনা কেপ্টেন ওইরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অদুগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কৱাদ অদু লাওথোরকপদা সরদার সিংহ অমসুং পেনাল্টি কোর্নর স্পিসিয়েলিষ্ট ওইরিবা রুপিন্দর পাল সিংহ পোত্থাহনখিবনি।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমসকী মাঙওইননা জুন ১০ দগী ১৭ ফাওবা লন্দন্না য়ুম্বু ওইদুনা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিনা অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি।

কেপ্টেন সরদার সিংহ পোত্থাহনবগী ৱারেপ অসি মাঙজেৈননা হোক্কি ইন্দিয়ানা লৌখ্রবনি। পাউগী মীফম অমদা হোক্কি ইনিদয়াগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখিবদা সরদার সিংহ মতম খরগী মমাঙদগী হৌদুনা য়াম্না অকনবা হোক্কি শান্নরকখিবা অদুনা চহী ৪ / ৪ লৈরগা পাঙথোকপা রিও ওলিম্পিক গেমসতা অফবা পার্ফোমেন্স লৈননবগীদমক মহাক পোত্থাহনবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়রি।

মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা সুলটান অজলান সাহ হোক্কিদা শ্রিজেস পোত্থাহল্লগা সরদার সিংহ শান্নবা য়াওখিবনি। ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কমিতি অসিনসু নহা ওইরিবা শান্নরোই খরা হাপচিন্দুনা হৌজিক–হৌজিক টিম অসিবু লমজিং লমতাক্লিবা নেদরলেন্দস মচা রোলেন্ট ওল্তমেন্স চাংয়েং পাঙথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংলি।

শ্রিজেসকী মখাদা দিপ্যুতি কেপ্টেন ওইনা এস ভি সুনিলনা শরুক য়াগদৌরি। শ্রিজেসনা লুচিংগদৌরিবা টিম অসিনা হান্নদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই কয়া য়াওরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মণিপুরদগী কোথাজিৎ, চিংলেন্সা, ভি আর রঘুনাথ, এস কে উথাপা অমদি অকাসদিপনচিংবা শান্নরোই কয়া য়াওরি। শ্রিজেসকী দিপ্যুতি ওইনা বিকাস ধহিয়ানা নম্বর টু গোলকিপর ওইগদৌরি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কমিতিনা লাওথোরকখিবা শান্নরোই ১৮ অদুগী মতুংদা কেপ্টেন ওইগদৌরিবা পি আর শ্রিজেসনা ফোঙদোকখিবদা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা পার্ফোমেন্স ফজনবা হোৎনগনি।লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা মেডল ফংবা ঙম্লবদি ওলিম্পিক্স শরুক য়াবদা অচৌবা থৌনা অমা পীগনি হায়খি। নাকল অমরোমদা রোলেন্টনসু মমাঙদা শোয়খিবশিং অদু চুমথোকপগী তাঞ্জা অমা ফংলগনি হায়রি।

# সন্দিপ সেজৱালনা গোল্ড মেডল অহুম ফংখ্রে



মালেসিয়া ওপন কম্পিটিন্নদা গোল্ড ৩ ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সন্দিপ

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ ঃ

কোলালাম্পুরদা পাঙথোকপা ৫৯ শুবা মালেসিয়ান ওপন স্বিমিং চেম্পিয়ন্সপ্তা ইন্দিয়াগী স্বিমর সন্দিপ সেজৱালনা গোল্ড মেডল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা স্বিমর অসিনা মালেসিয়াগী স্বিমিং কম্পিটিসন অদুদা রিও ওলিম্পিক্লকী বি ক্বালিফিকেসন মার্ক য়ৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি সন্দিপ্পা ইন্দিয়াগী অহানবা ব্রেষ্টষ্ট্রোক স্বিমর অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমখিবনি। মহাক্না ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক্লতা মিটর ১০০ অমসুং ২০০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবনি।

সন্দিপ্পা হন্দক্কী মালেসিয়াা ওপন অসিদা গোল্ড মেডল অহুম ফংখিবা অসিগা লোয়ননা মালেসিয়া ওপন স্বিমিং কম্পিটিসনগী ইতিহাসতা হন্দক্কী অসি থারগা পুন্না গোল্ড ৮ অমসুং সিলভর মেডল অমা ফংবা ঙমখি।জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা রিও ওলিম্পিক্লকী ক্বালিফাই ওইনবা কন্না হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*